# অহাঙবা উচেক মকোল

মানা ইনখৎলকপা মতমদা মঙ অমখক মঙজখি। ইচম চম্বনি। মঙ মচা অমনি। নুংদি য়াম্না নুংশিবা। আ হয়েং তুংদা লাইরিক লাইশু তম্বা লোইরগা তং তাবা থবক মচা অমতং ফংজবা। থবক ফংবা ৱানরবা মতমনিনা থবক অমতং ফংনবা ৱাজখিবনি। অদুদৈ য়ূম অমদা খোয়দাজবী কনাগুম্বী অমগা নুংশি চান্ননা য়ূম পানমিন্নবগী মঙ মচানি।

পুন্সিগী মঙ কয়া মঙফাওনবগে? মঙগা তাইবঙগা কয়া য়াম্না খেন্নবগে? মশাগী মতিক মঙালদি খঙজদনা আশাদি চাউবা মঙদ্রংতদা লৈগনবা মীসু তাইবঙপানসিদা লৈব্রা? লৈরবদি মখোয়দুদি মঙফাওনদ্রে হায়বসি খঙজদনা অশেঙবা তাইবঙপানসি উবা ঙমদনা শিবনা হাল্লমগদবা মাল্লি। ৱারীসিগী মরু ওইবা শক্তম লৌরিবা নুপাসি - মমিং রাধামোহন কৌই - ইচম চমজবা নুপানি। আশা চাউদে। নাক-য়েৎ উই। পেন্থোকপা হে। মপা অমনি মা ঙসি অঙাং অহুমগী। নুপী অনী নুপা অমা। নুপীনা অলনি। নুপাদুনা য়াইমনি। মাগী নুপীনা মঙোন্দগী চহী মঙারোম হল্লি। হকশেল লোয়শঙগী নর্সনি। মানা হায় স্কুলগী ওজানি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদদি ওজা ওইগে খনখিদে। কোলেজদা মানা পামজনা য়েংজখিবা শকহেনবী কৌবীদুদি ময়ূম ঙন্না পানখি। পি দল্লিয়ু দিদা এস ও ওইবা অমদনি। নোংমত্তা ৱা অমত্তা কাঙথোকহৌদে। সি ঙাক্তনি তাইবঙপানসি। মানা অসুম্না লায়না খন্দোকই। অদুগা রানিগা নুংঙাইনা লৈমিন্নে - রানি কৌই রাধামোহনগী নুপীসি।

মচাশিংদুনা হম হম চাউখৎলকপদা মপা মমা নুংঙাইজে। আশাগী ময়োল চোংই। মীৎয়েং পাকথোক্লকই। মীরোল পরেংগী নুংশিরবা খোঙচৎ অমা উরকই। মশামকসু খোঙচৎতুদা য়াওবা লম্বী চৎপা অমা ওইনা লৌজে। শেল থুমগী অৱাবসু পংলৈ লৈতে। মচানুপী অহুমগা মচানুপাগা স্কুল চৎপা হৌরকপা অতোনবীনা স্কুল চৎত্রিঙৈ অদুৱাইনি। চিনববুদি খরা খরা হৌরক্লে। লাইফ ইন্সুরেন্স প্রেমিয়ম থিনবগী, চাকখুমগী, স্কুলগী, অমগী অমগী। য়ূম পানবসি শেলনা পানবনি। শেল য়াওদ্রদি ইমুং মহি লাঙই।

মফমসিদা মানা পীক্লিঙৈদদি য়ূমসি সুন্মাইনা পান্নরমদে। পুল্লপ লৈমিন্নবা খূপান্নি। চাকখুম অমদা মীকোক য়াম্না পূল্লি। খৎন-চৈনদনা চাকখুম পূন্না চাম্মিন্নবা হায়বসি মতমদুদা ফজনা য়ূম্বানবশিংদা চন্নরম্মী। মপুবোক, মবোক, মপা, মমা মখোয় মচিন-মনাও, মচে-মচন ময়াম পূন্না লৈ। মনে হল্লকপী অমসু য়াওনা চাকখুম অমদা মী ১৬ চাই। মখোয় মচিন-মনাও, মচে-মচল পূন্না ১১নি। থংনবদা মপলগী য়ূম লৈ। মদুদসু মী ১০গী চাকখুম অমনি - মপলনে, মমাহলনে, মখুরা নুপী থিবা অমনে - মপলগী মচা নুপা-নুপী ৭ অমগা পূন্না মখোয় তরানি। অকোয়বদা মখোয়গী শাগৈগী য়ূম ময়াম অমসু তাই। অমগা অমগা লোইনা কৌনৈ। মিঙ্গৌ চুম্না কৌনৈ - খুরা, ইন্দোমচা, তাদা, ইচে। থকসি খাসি নাই। নক্লা, লোন্দিন্নবা লোয়নৈ। এঞ্জাং উতি, চগেম পোম্বা ওইরদি লান্নে। পীক্লিঙৈদা চাক পুখম অমদা মচিন-মনাও ওনশিন্নদুনা চামিন্নবা, ফমুং অমদা অনী তূম্মিন্নবা চৎনরম্মী। তৌনরম্মী। লৈত-লায়রদুনা তৌবা নত্তে। টেবল অমদা মচিন-মনাও ওনশিন্নদুনা লাইরিক পামিন্নরম্মী। মাগী মনাওনুপা হেক থংনবদু খরা কোক কাক তৌগল্লি। নোংমা লাইরিক্তি পাদনা পেন্সিলনা লাই য়েক্তুনা লৈবা মানা উই। মমাদা তাকই, “ইমা ননাওসি লাই য়েক্তুনা লৈরে।” চাকখুমদগী মমানা অনীমক্তা চৈরকই, “হায় লাই য়েক্তুনা লৈরগা হয়েং করি চানি। হয়েং পরিক্ষাদা শগোল য়েকপা য়াগদ্রা? অচৌবা নঙসু য়েংলুনু। নঙগীদু অদুম পাউ। মানা ফেল ওইরগা নঙ য়াওগদ্রা? মনাওনুপাদু গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে। ময়ূম পানখিদে।

মচানুপী অহলদুনা কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়রিং তম্বা লোইশিল্লমদাই, মচানুপানা দিফেন্স একাদেমিদা মচানুপী অতোম্বীনা কোলেজদা সাইকোলোজি তম্বা মতমদো মবানী ফনা ৱাই। মমাসু মশা তিঞ্জেল লাইচেল্লি। তোইনা ডাক্তর য়েংই। হীদাক চাই। ৱাই হায় তাই। শেলসু চিল্লি। খুন্নাই অমদা হিংবগী চংদবা য়াদবা তৌদবা য়াদবা খরচ ময়ামগা হৌজিক্কী মতমগী লাইরিক খূৎতমসিগী শেল মচঙসিগা মতৈ মনাওদু মতেক অমদি খোক মতোন্দা ফিরাল পাই হায়দুনি। অদুবু ৱাদে। ৱারসু ৱাদে। হিংলিবসি আশাদনি। মচা মশুগী আশাদনি। মখোয়দা মী ওইহৌরগা লোইরে। য়ূম লেপ্পা ঙমহৌরগা লোইরে। ঐখোয়বুদি কৈদৌরুনি। অসুম্না খন্দোকই। হিংলিবসি মশাগী নত্তে। মীগীনি। মচাগীনি। আশাদনি।

কুইরবগী তুংদা লৈখিদ্রবা মপা মমা নীংশিংলকই। মখোয় মচিন মনাও ময়ামগীদমক মবানীসু ৱাজখিবজাৎনিকো। মসি ঙসিতবু খঙবদৌনা তৌরকই। লাইওইখ্রবশিংদো খঙনুং নুংশিরকই। মতম অমদদি পুল্লপ লৈমিন্নরিঙৈদদি নকশিন্নরম্মী। হৌজিক্তি তোঙান তোঙান্না য়ূম পান্দুনা লৈনখ্রবনিনা মচিন মনাও মরী মতাসি মীতোপকা চপ মান্নরে। লাপ্না লৈনখ্রবা মচিন মনাওনা মীতোপনি। য়ূম থংনবনা শাগৈদগী হেন্না নক্লে। মতমদুগী য়ূম্বালদুনা মফরে হায়বগী ৱা নত্তে। মতমদুগীসু ফত্তবা অশোয়বদি করিগী লৈতগদগেদো। য়ূমজাও অমগা মসা মরেং খরগদা পুল্লপ লৈবগী অরোন অথুপ লৈতে। তূমিন্না ঙাইহাক্তা লৈনবা মফম লৈতে। কনানোমনা করিনোমা তৌরক্তুনা ৱা হেক্তা য়াম্নে। লাইহৌগা লাক্লবদি অমদগী অমদা লৌনদুনা ইমুংদুদা অনাবা কৌবা মীকোক অমসু হেনগৎলকপগা চপ মান্নে। নক্লবগী নুংশিনবসু লৈ। হৌজিক মমা অমগী গর্ভদগী তামিন্নরকপা মখোয়গী য়ামখ্রবা মচিন মনাও, মচে মচলশিংদুবু করম্না হিংলিবগে কনানসু হন্না য়েংনদ্রে। মানা মানা থোকপা কদাই কদাইদনো পংলৈ লৈনখ্রে - ঙম্ন-ঙম্নবা য়ূম্বান্দুনা, মচা পোক্তুনা, শেল তান্দুনা। মখোয় ১১ পোকমিন্নবনি। অমা শিখ্রে। নোংফাদোক ফোন্দা ৱারী ৱাতাই খরা তৌনবদৈ হেন্দ্রে। উন্নদ্রে। চাক চরা অমগা চামিন্ননবা মতম লৈত্রে। মী ওইনবা হোৎনবদা খারৌ লায়রৌ খঙদনা কোয়চেন চেন্দুনা লৈরে। নুংশিনবা শংদ্রে। মখোয়না পীক্লিঙৈদদি মীগা মীগসি য়াম্না নক্লা লোয়নরম্মী। মাগী মাগী তাইবঙদা তোঙান তোঙান তাওথনরমদে। নীংশিংই। মখোয় মচিন মনাও ময়াম চঙদুনা উচেক মকোল অমা মখোয়গী মনিংদা হৌবা হৈনৌগী কাচি কারোংদা শাবিখি। মতমদুদদি লৈবাক্কী চফু শীজিন্নরম্মী। অমনবা চফু অনী মচিন মচিন উপশিন্নরগা থৌরি মচা অমনা খাওন ওন্দুনা লাক্লগা লোইরে। চফু মনিং অমদা মখুন হুৎকনি উচেক চঙনবা - চফু অমদুগী মনুংদা নাপী শিংবী, ফিজেৎ ফিগাই খরা হাপ্পীগনি উচেক কূন্নবা। মদু কাচি কারোংদা থাঙ্গৎলগা থৌরি অমনা অমুক নুংশিৎ শিৎপদা তাদুনা কায়দনবা চেকশিন্না পুল্লগা থম্মী। নুমিৎ নীনি লৈরগা চোংঙা জুরা অমা মকোন্দুদা লৈবা উই। খরা লৈরগা লাই য়েক্কনবা ঙন্না লৈখিদবা মনাওদুনা কাখত্তুনা য়েংলুই। মরূম কোক্লে লাউরকই। মখূৎ নাম্মা থিংজিন্দুনা লৌথোক্লগা উৎলি। মেংথরক্লবা নুংশা মঙালদা চোংঙা মরূম হায়বসিনা ফজবসি ওখাক ফজৈ। নুমিদাংৱাইরমদুদা অৱাওবা নিম মচুগী অতিয়ানা তুংদা খল্লি। ঙসিদি উদ্রে। অঙাংগী লুরবা মীৎস্নানা চোংঙা মরূমগী ফজবা উররোই। ওহ, অমুক উররোই। মতমদুগী নুংশিৎ খরা শম্নহৌবা মখোয়দদি য়াচংলকপদা চোংঙা খোঙবা মখোল থম্মোয়গী নাকোংদা হৌজিকসু তারি।

করম্না শমিন ফংবনো খঙদে মকোল তম্না চোংঙা মপী পাইরকখি লাক্লা লাক্লা খোঙদুনা। খূৎলৈ থুনা মাগী মনাওসু উথক্তগী কুমথরকখি। য়েংলুবদুনরা খঙদে মথংগী নুমিৎতা চোংঙা মরূম মকু অকায়বা উখাদা তাবা থেংনখি। উচিনা চাথোকপীরবা জাৎলা মপা মমা মচিঙ্গাক থিবা চৎখ্রিঙৈদা? মখোয় ঙকখি। নুমিত্তুগী অয়ূক্তসু য়ূম্লোন অনী চৎলগা লৈবা অবোইনা চোংঙা অমা নাওরিনা কাপ্তুনা হাৎখি। অবোইগা মাগী মনাও লাই য়েক্কনবদুগা লৈকায়দুদা মখূৎ চুম্বদা হায়নরিবনি। মথংগী নুমিত্তু মাগী পুন্সিদা অৱাবা অমা ইহান হান্না থেংনবগুম ফাওখি। নুংঙাইখিদে। হৈনৌ কাচি কারোংদা উচেক্লা মকোন ওইবিদ্রবা মকোন উবদা নুংঙাইখিদে। উতোন্দা উশা অমদা চোংঙা অমখক হৈনীংদনা মতু ইপোন পোন্না তোংবা উই। মা উবদৈরা কৈনো চোংঙাদু লোইবা খম্বা নাইদ্রবা অতিয়াদা পাইখ্রে। মপাং কায়নবা মাল্লবা নায়তোম তারবা চোংঙাদু অদুম পাইখ্রে। মীৎয়েংগী ৱাংমা লান্না। অহাঙবা অতিয়াদা।

নুমিদাংৱাই অমমম অঙান শিন্নরকপসিনরা করিনো শোরি পারি পংনীং নীংশিংলুরিবসি!

মচানুপীদু আইটি কম্পনি অমদা থবক তৌই। মাগী নুপা মমাকনুপাদু কোলেজদগী মাগা খঙনরকপনি থবকসু কম্পনিদুদা পূন্না তৌমিন্নে। অতোপ্পা ষ্টেট অমদা লৈ। মচানুপাদুনা আর্মিদা কেপ্তেন ওইরিঙৈ ফাওদি খরা নকশিন্নরম্মী। ঙমখৈদা পোষ্টিং তাবা মেজর ওইরকপদগীদি খরা খরা অসুম লাপথোক্লখ্রে। নুপীসু ঙমখৈদা লৈবা টাউন অমগী নিংঙোলনি। অতোনবী সাইকোলোজিষ্ট অদুদি য়ুরোপকী লৈবাক মথং মথং চৎখিবদগী মমৈথংদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা অমদা ময়ূম পানখ্রে। মাগী নুপী রানি ষ্ট্রোক অমদগী পেরলাইসিস তৌদুনা চহী অমরোম লৈরম্লগা নোংমা অয়ূক অমদা শি। মমা লৈতবদা মখোয় লোইনা লাক্লম্মী। শিবগী মথৌ মঙমগী মৈচ্রাং মরক্তা মাসু নোংমা নীনি মপুবোক ওইহৌই।

য়ুম পান্নরবনিনা মচাশিংদো নোংম-নোংমগী লাপথোক্লরকই। মশানা তাবা ৱানি। হাঙদি হাঙই। অৱাৎপা অমদি ইরৈ লৈ। পুন্সিসি অঙকপা মঙ অমগুম্না মরক মরক্তা ফাওই। শিবগুম্বা অচৌবা খুনিংথেক অমদা মঙফাওনগদবা মাল্লকই। খোঙ খূৎ হোত্তনা ঈচেল অমদা তাওথবগুম ফাওরকই। তয়াং তশোই। অহোংবা মরকসিদা মখোয়না নহা ওইরিঙৈদা থেংনরমদবা কয়া অমসু থেংনরক্লে। মশা শোঞ্জিল্লক্লবনিনা মাগী মচানুপা আর্মি ওফিসর, মচানুপী অনী মখোয় তান্নদুনা মাবু ওল্ড এজ হোমদা থম্নবা ফিরেপ লৌরকপা ফজখ্রবা ৱাফমনি, অহিংগী মশীং থিঙমদ্রবা থৱান্মীচাক য়েংদুনা মানা খল্লি। মতাং চারে। ঙসি নুমিদাংৱাইরমদা উচেক শঙ্গু পাইবদগী নায়তোম তাহৌরবা অমনা মপাংশিং তানখৎনবা তহা তহা পাইখিবদু নীংশিংই।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘আ!! থম্মোয় লকানুংদগী’ দগী লৌখৎচবা)**

# মপু নীংবা তেনৱা

থায়না মমাংঙৈদা হনুবা হনুবী মতৈ মনাওনা তেনৱা অমা লেইরম্মী। মচা পোক্তবা হনুবা হনুবীনা তেনৱা অদু মশুগুম্না নুংশিদুনা লুনা চান্না তৌই। তেনৱা অদুনসু মখোয় অনীবু মপু মবেনগুম্না খল্লি। অসুম্না য়াম্না নুংশিননা লৈমিন্নরিবা তেনৱা অদু মীরোল থোকই, মীনা ঙাঙবগুম ৱারী শান্নবা য়াই, য়াম্না শিংই। হনুবা হনুবীনা লবুক্তা চৎখ্রবসু মানা য়ুম শঙই, কনাগুম্বা তাক্লমদনা পোৎ চৈ পুখিবা য়াওরবসু হনুবা হনুবী লাক্লগা তম্মী। অসুমনা লৈমিন্নরকপসিনা নোংমদি তেনৱা শঙ্গু অমা পাইরক্তুনা হনবু হনুবীগী ইস্খোলদা হৌবা হৈনৌ পাম্বী অদুদা তোংলরে। য়ুমগী তেনৱা অদুনা ইপু ইবেলনা থাজবা হৈনৌ পাম্বীদা পাল্লিবা হৈনৌ অসি চাথোকপীগনু হায়জবদা তেনৱা শঙ্গু অদু হৈনৌ চাদনা পাইখি। মখোয়না তোংলম্লগা হৈনৌ চাদনা পাইখিবা অদু উহৌদুনা হনুবীনা তেনৱা শঙ্গুনা হৈনৌ পাম্বীদা তোংলম্লগা করিগী চাদনা পাইখ্রিবনো হংবদা য়ুমগী তেনৱা ঐনা চাগনু হায়দুনা চাহন্দবনি খুম্মী। নোংমা অমসু অতোপ্পা তেনৱা শঙ্গু অমা পাইরক্লগা শুমাংগী পোংলাংখোক্তা তোংদুনা তে তে খোংদুনা য়ুমগী তেনৱা অদুদা কোইরুসি উহৈ ৱাহৈ অথুম্বা চারুসি হৌরম্মী। ইপু ইবেননা চৎলু হায়বা ময়াথং পীদ্রবদি ঐ চৎপা য়াদে হায়বদগী তেনৱা শঙ্গু অদু পাইখি। তেনৱাশিংনা পাইখ্রবদা হনুবা হনুবী অনীদু ময়ুমদা হল্লকই। ঙসিসু তেনৱা শঙ্গু অমা পাইরক্তুনা পোলাংখোক্তা তোংলগা মখোয়গা লোয়ননা পাইমিন্নদুনা উমংদা উহৈ ৱাহৈ অথুম্বা চারুসি হৌরম্মী। ইপু ইবেননা নুংশিবীদুনা ঐবু মখোয়গা লোয়ননা পাইমিন্নহল্লদি ইপু ইবেনগী চাননবা শিদ-নাদ য়াই য়াওবা হৈরাং হৈথোইবদু হেক্তুনা পুরক্কে। অদু চারবদি অহল ওইরবা ইপু ইবেলদি শোয়দনা পাখঙ লৈশাবীগুম নহা ওল্লক্কনি, পাঙ্গল থৌনা লৈরক্কনি হায়রকই। মশু শক্লবা তেনৱাগী ৱাদু তাবদা হনুবা হনুবী অনীদু নহা ওইনিংলবোই হয়েংদি শোয়দনা তেনৱা শঙ্গুগা পাইমিন্নদুনা শিদ-নাদ য়াই য়াওবা হৈরাং হৈথোইবা তাউজিং হৈথুম্বা হেকলুচো হায়রক্লে। মপু মবেনগী য়াথং ফংলবদা তেনৱা অদু মথৱাই নুংঙাইরে, মথংগী নুমিত্তা মপাং তেনৱাশিংগী মতুং ইন্নদুনা পাইখ্রগা নুমিৎ তারমদাইদা মপু মবেননা চাননবা হৈরাং হৈথোইবা তাউজিং হৈথুম্বা মচিন্না চেন্দুনা পুরক্লে। ময়ুম য়ৌরদুনা তেনৱা শঙ্গুদগী নাম্থহৌরগা ময়ুম তম্না পাইথরকপদু উবদা খুনু খরং অমনা মাবু হাৎকদবগী তান্নরক্লে। খুনু খরংনা হাৎকদবগী তান্নরক্লে হায়না লাউরকপদা মচিন্দা চেল্লকপা হৈদু য়ুমথক্তা তাখ্রে, খুনু খরং অদুসু হনুবা হনুবী কিদুনা পাইখ্রে। তেনৱাগী মচিন্দা চেল্লকপা হৈরাং হৈথোইবদু য়ুমথক্তা লৈবা তিলবুল নাপুল অমদা থাদুনা তিলবুল নাপুলদু শিরে। অশিবা তিলবুল নাপুলগী মচিন্দগী থোরকপা হু চেনবা ঈ তৈরবা হৈরাং অদু য়ুমথক্তা তাদুনা লৈরে। হনুবীনা তেনৱাদা হৈরাং পুরক্লবরা হংবদা খুনুখরংনা তান্নরকপদা ঐনা কিদুনা লাউবদা মচিন্দা চেল্লকপা হৈরাং হৈথোইবদু য়ুমথক্তা তাখ্রে খুম্মী। হনুবনা য়ুমথক্তা কাখত্তুনা হৈরাং অদু থিরগা পুরক্লে। হনুবনা হৈরাং অদু ময়ায়দা তঙ্খাই তানা খায়দোক্লগা মখোয় অনী য়েন্নরে। হনুবনা মাগী শরুক তঙ্খায় অদু চাগে তৌবদা হনুবীনা খাম্লে। উচেক ৱায়ানা পুরকপা হৈরাংবু হেক্তা চাবা হৌনদে হায়দুনা মাগী শরুক তঙ্খায় অদুদগী মচেৎ অমা কল্লগা হৌদোংদা পীজবদা খুদক্তা হৌদোংদু শিরে। মদু উবদা হনুবীদু য়াম্না শাউরে তেনৱা হাত্তোক্লুসি হায়রে। অঙকপা থৌদোক অদুদা তেনৱা অদু ইকায়বনা তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরে। মশুগুম নুংশিননা লৈমিন্নরক্লবা তেনৱাদা নহাক চৎলো য়ুম অসিদা লৈরগনু হায়না তাম্থোকপিরবদা তেনৱা অদু মথৱায় নুংঙাইতনা কপ কপ্তুনা পাইখ্রে।

হনুবীনা শাউদুনা তেনৱানা পুরকপা হৈরাং অদু য়েনখাদা ফুমজিল্লে। মতম খরা লৈরগা মানা ফুমজিনখিবা মফম অদুদা ফজরবা হৈ পাম্বী অমা হৌরক্লে। হৈ পাম্বী অদুদা য়াম্না ফজরবা হৈ অনীখক পাল্লক্লে। নোংমা হনুবা হনুবীদু খৎনবদা শাউগনবী হনুবী অদুনা মতোমতা শিজরগে খল্লদুনা পাল্লিবা হৈ অমা হেক্লগা চাবদা খুদক্তা হনুবী অদু নহা ওল্লে, নহা ওল্লবী হনুবীনা ইমুংদা চঙখ্রগা তুম্লিবা হনুবদু হৌদোক্লগা ঐদি হৈ চারুবদগী নহা ওল্লে নহাকসু নহা ওইনবা হৈ চারো হায়রক্লবদা হনুবদো হরাওনা হৌগৎলক্লগা হৈ অমা পাল্লিবদু হেক্তুনা চাবদা মাসু খুদক্তা নহা ওল্লে। হনুবা হনুবী অনীদু নহা ওল্লবদা হরাওরে, মখোয়না শাউদুনা তাম্থোকখিবা তেনৱা অদু মরাল লৈতে খঙলবদা শুমাংদা থোক্তুনা তেনৱা শঙ্গু পাইরকপদা মখোয় অনীনা কৌদুনা হংলক্লে। হা তেনৱা শঙ্গু ! নখোয়গী নরক্তা ইশু তেনৱা য়াওরবদি খরা থম্বীরম্মু, য়াওদ্রগনা অহল ওইরবা নপু নবেল অনীদু নহাক্লা হেক্লকপা হৈরাং চারুবদগী নহা ওইরে, নঙবু শোন্দুনতা লৈহৌই খরা তম্বিয়ু। অসুম্না তেনৱা শঙ্গু পাইরক পাইরকপা খুদিংদা মখোয় অনীনা থোক থোক্তুনা মসু তেনৱা কৌরক্লে। নোংমদি তেনৱা শঙ্গু মরক্তা মসুদু য়াওরক্তুনা মপাং শঙ্গুলক্তগী চিংথহৌরগা মপু মবেলগী ময়ুমদা তেনৱা অদু হল্লক্লে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মখোয় অহুমদু নুংঙাইনা লৈমিন্নরে।

ওল্লকপা চহীদা নহা ওল্লবা হনুবা হনুবী অনীদো মচানুপা অমা পোক্লে। অঙাং অদু নোংম-নোংমগী চাওশিল্লক্তুনা ষন শানা চৎপা ঙস্লক্লে। নোংমদি মমানা মচানুপাদু শুমাংদা ঈশিং পীক থন্না হাপ্পা খুদেংদা ফমদুনা শান্নহল্লে, তেনৱাদা মচাদু শিন্নরম্লগা তুরেন্দা ফি শুবা চৎখি। ঙাইহাক লৈরগা লিন লাবা অমা থোরক্তুনা অঙাংনা ফল্লিবা খুদেং অদুদগী ঈশিং থক্কদবগী চঙশিল্লক্লগা মকোক হাইগত্তুনা খুদেংগী ঈশিংদু থক্কে তৌবদু অঙাং অদুনা উরদুনা লিনগী মকোক্তা মখুৎনা থাবদা লিন লাবদু ঈশিং থক্তনা হনখি। ঙাইহাক লৈরগা লিন অমোমদুসু ঈশিং থক্কদবগী খুদেং মনাক্তা চঙশিল্লক্লে। মাসু মকোক থাঙ্গত্তুনা খুদেংদা য়াওরিবা ঈশিং অদু থক্কে তৌরক্লবদা অঙাং অদুনা মকোক্তা মখুৎনা থাবদা নামনখ্রদুনা লিন অমোমদু শাউরে, অঙাং অদু চীকপিরে। খুদক্তা অঙাং অদু খুদেং মনুংদা লেকথদুনা শিরে। থোকইবা থৌদোকশিং অদু তেনৱানা উরবসু মানা খাম্বা ঙমদবদগী তুমিন্না লেপ্তুনা য়েংখি। মচা শিবদু উরগা মমা অদুনা মাবু চৈবিরগনি খল্লুবদা কিরদুনা তেনৱাদু লিনগী হূ মাঙনবা শিদ-হিদাক থিবা পাইখ্রে। মানা চীংনুং কয়া লান্দুনা উমং ৱামং কয়াদা চঙদুনা থিবদা থেংনদুনা শিদ নাদ য়াই পাম্বীগী মনা অমা হেক্লগা মচিন্না চিক্তুনা পুরক্লে। মমা অদুনা তুরেন্দগী কারকপদা শিদুনা লৈরম্বা মচাদু উবদা কপ্লে, মনাক্তা তেনৱা লৈরমদ্রবদা মানা কোইদুনা লৈবদগী ইচা শিরিবনি হায়না তেংথারক্লে। মাগী তেংথাখোল তাবদা মৱা অদুসু চেল্লক্লে, ৱারী ৱাখোং পুম্নমক তমদুনা তারে। মখোয় অনীদু য়াম্না শাউরে, তেনৱা অদু হাৎসি লেপ্পরে। মতম অসিদা শিদ নাদ য়াই হেক্লুবা তেনৱা অদুনা শুমাং তম্না পাইরক্তুনা লৈপাক্তা হেক তাবগা শাউরিবা মৱা অদুনা মখুৎতা পায়রিবা চৈনা লংবদা তেনৱাগী মকোক্তা পান্দুনা কায়বদগী খুদক্তা তেনৱা অদু শিরে। শিরিবা তেনৱাগী মচিন্দা লংত্রিক লংবা অশংবা নাপী অমা চিক্লিবা অদু উবদা অচম্বা নাপী নত্তে খল্লদুনা মৱানা চঙশিল্লগা নাপী অদু লৌদুনা ঈশিংদা নৈখায়রগা শিরিবা মচাগী ময়াদা ইন্দুনা পীথকপদা খুদক্তা মচাদু হিঙ্গৎলক্লে। অরেম্বা ঈশিং অদু তেনৱাদা পীথকপদা মকোক কায়দুনা শিরিবা তেনৱা অদুদি হিঙ্গৎলক্ত্রে। মপু নীংবা তেনৱানা শিরিবা মীশি অদু খল্লুবদা মতৈ-মনাও অনীদু মচা কায়নবদগী হেন্না ৱাদুনা নীংঙমদবদগী মখোল থোক্লা মপু নীংবা তেনৱা অদু কৌদুনা তেংথাখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)**

# শৈরেং

## শায়োন

**—রাজকুমারি মীনা**

পূম্নমকপু শেম্বীরিবা মপু
পোমহল্লে, শাৎহল্লে নহাক্লা
অমুকসু পৎ থদৎপীরে
অপোম্বা লৈরাং থদৎপগুম
ওইহনবীগদৌরে লৈকংলাগী পাংখক
নোংলৈ নুংশিৎকুম্না হুমদুনা
মঙগুম্না পুন্সি কয়াবু।
খূৎশেমনি নহাক্কী ননীংনি
লাঞ্জদ্রবা কয়াবু নহাক্লা
মখোয়গী মরাল করিনো?
মরাইবক্কী মহয়নি তমখ্রবনি
খল্লসিরা নহাক্কী খূৎশেমনি
পুন্সিসে মঙ ওইহল্লসিরা?
আশা মীওইবগী হোৎনবা
অনীংবা পূম্নমক মঙলান
লাইবক্তা তম্লবনি খনসিরা
নঙগী করম্বা অমৃতনো
পুথোক্লিবা নহাক্কী শায়োন।

## ৱাদবদি ঙমদে থম্মোয়সিনা

**—নরেশ লাইময়ূম**

ফৌগী চরোংনা কেল্লকপা
শংলম্বা লৌবুক্লা কংলকপা
তাইবঙনা মোমোন নোকপা থা
হিয়াঙ্গে পোইনু অনীগী
নুংঙোন থানি তাইবঙগী
নীংশিং থানি মীওইবগী
তাইবঙবু শেম্বা মপুনা
ময়েক লানা থনম্বা থানি
হোংলক্লে অঙ্গৈং অশা
মহৌশাগী অশেংবা হৱা নুংশিৎতি
নাথৈরগা কদোমদা চৎখ্রবগে খনবদা
অপংবা থম্মোয় ঐনদি
হরাও কুম্মৈগী মরকসিদা
মীপাইবনা থম্মোয়সে লৈতাফম খঙদ্রে
হায়রুনি মীয়াম লক্তা
হায়রক্কনি কনানা অঙাওবনি
লৈবাক্কী ৱাবু করি নথৌ লৈদনা
নহাক্লা ৱারিবা।
ৱাদবদি ঙমদে থম্মোয়সিনা
করিবু লাক্কদগে নোংদম্বা মহাক্লা।

## লাল লৈররোই

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

মালেম ইমাসে কপ্লেনে,
মায়থোঙ মুশিন মু
লেপ্তা পিরাং শিন্থরি
ইমাগী অৱাবা কনাসু উবীদে
মসিদনি ইমানা কপ্লিবা
য়েংবা ঙল্লিব্রা মীয়াম্বু?
ইমা মাগী মফমদা
মীওইবা পূম্নমক মচানি,
খুদিংমক চপ মান্ননা নুংশি
অমুবা অঙৌবা অনেম্বা অৱাংবা
ইমা মাগী মফমদা অমত্তনি
হে মীওইবা করিগী খঙলুদে?
বোম তোপ নোংমৈ পুথোক
মী মশেলতা হাৎনরি
মালেম ইমাগী তম্পাকসে
মচেৎ মচেৎ মীওইবনা য়েন্নরি
মাগী লমনি ঐগী লমনি মুন্নবদা
মালেমসে পুল্লাং লাংহল্লি।
অকনবনা অশোনবা উশিত্তে
ইনাকখুনবনা লায়রবা থৌওইদে
অচৌবা লৈবাক্লা লৈবাক মচা য়োৎশিল্লি
মীচং খোম লান তৌনরি
হাৎনরিবা মখোয় খুদিং
ৱাখল খনবা মীনি কাউথোকই।
হে মীওইবা! মালেমগী মীওইবা!
ৱাখল পীকপা মীগী মতৌ তম
নঙগী নঙগী লৈবাক্তা খনগনু,
লৈবাক পূম্নমক নঙগীনি খল্লু;
মীপূম খুদিং অদুম খল্লবদা
ইমাগী তম্পাক্তা লান লৈররোই।

## করি পাউখুমনো তাক্লিবা

**—রেকি মাইবম**

থম্মোয় মশক খঙলুদা
মকে শেম্বদা ঙাওরুরে
মীনোক অদুগী ৱাহন্থোক্লা
করি পাউখুমনো তাক্লিবা।
থাজগুম নীংথিবী মায়থোংদো
রাশি লৈবী মীৎয়েংনা
করিনো তাক্লিবা ঐঙোন্দা
করি পাউখুমনো তাক্লিবা।
নুংশি লৈনম চেল্লিবী
লৈরাং লক্তগী অথোইবী
চিনবানসিনা ফোংঙমদা
করি পাউখুমনো তাক্লিবা।
নঙগী নতৌ য়েংলুবা
নুংশি ইহুল ফাওরুবা
থম্মোয়গী রানিনি খল্লুবা
করি পাউখুমনো তাক্লিবা।
ফোংলগে খল্লকপা মীকুপ্তা
চিনবান অসিনা নফমদা
হায়রমদনা চৎখিবা নতৌদুনা
করি পাউখুমনো তাক্লিবা।

## নীংশিং মমিদি তাহৌরি

**—চিঙ্গাংবম সঙ্গাইজাওবী**

পীক্লবা খুঙ্গংদুগী চিদাইদা
চীংদুম মচাদুগী চীংখোঙদা
হানৌনা লেঙ লেঙ চৎলবা
লম্পাক্কা তাইনবা মফমদুদা
চেল্লম্বনি ঈচেল মচাদো
চীংজুম লাইজগী লূর ঈচেলদো।
নুমিদাংৱাইরম ওইরকপা খুদিং
খুঙ্গংগী চল্ল চনুরাশিং
খূত্তা সনাবুল পায়রদুনা
শোক্লম্বনি শেংলবা লাইজদু
নুংতি নুমিৎ খুদিংগী।
লৌরাংশুবা তম্বা নহাশিং
খুদৈ ফৈয়েৎ কোক্তা য়েৎ
থক্লম্বনি ঈচেলদুগী লাইজদো
খুজোক থন্না শোক্তুনা
অরাম খৌরাং কোক্লবা।
লেপ্লে মচা মচাশিং
শান্নরম্বনি ঈরোইদুনা
নূঙ্গায়রক্তা ঈচেলদুগী মতাইদা,
কোংগ্রেং, ৱাইখু, নাউশেক
পুন্নবুদি লৈরম্বনি
তুরেল মানবী ঈচেলদুদা।
কুন্দোগুম তঙৌবী
উরোক খোঙশাঙবী
মঙক ইল্ল ইল্লদুনা চৎ
চারম্বনি থি থিদুনা
থরাইকোকপী, তেংবী
লৌবুক থরোই, লাই থরোই।
অয়ূক্কী চাকঙন চারগা
খুঙ্গংগী ষঞ্জেনহাশিং
খূত্তা শাজৈ পায়দুনা
য়ূমথোঙ খুদিংনা থাদোরকপা
ষণবী ষণনাও শেল্লম্বনি
শঙলেন শংলবা লম্পাক্তুদা।
ঙসিদি পুমহোং হোংলম্লে
শক্তমদো লোইনা মাঙলম্লে
চীংমায়দা পামেল হৌরমদরে
লোইবী চীংদুমদুসু
লৈঙাং মচু ওল্লম্লে
ঈচেলদুসু কংখিরম্লে
হুপ্না পুমকুপ কুপশিল্লম্লে।
চরোং চরোং পাল্লম্বা
চীংখোঙগী হৈক্রু পাম্বীসু
লৈরমদরে ঙসিদি
শোঙলবা নারক্তুদা
মনীং তম্না শাৎচবী
কেতুকী লৈপালসু হৌরমদরে
লৈনম্না কেকু ফোঙবদো
হেক্তুনা লৈকা য়েন্নরম্বদো
চল্ল খুঙ্গংগী চনুরাশিংনা
হাপ্পবা তাবুনুংগী চৈরেরক্তা।
অদুঙৈ মতমদুগী হৌখ্র শক্তমদো
মীৎতা শং শং উরক্লি
নীংশিং মমিদি তাহৌরে
ময়েক লানা লকানুংদা
ফাওরি চৈনা থম্মোয়দা
ফংদ্রবদা হন্না অমুক উজবা।

## তুরেল

**—ৱারিবম মৈনো**

তত্তনা চেল্লিবা তুরেল
লেপ্তুনা চেল্লিবা ঈচেল
করি ননীং থুংদদুনা
করম্বা অৱাৎপা লৈদুনা
খোইরাং খোইশাওনা চেল্লিবা?
অচিকপা লম্মাং ফাওদুনা
অশুকপা চীংনুং লান্দুনা
ঈংনা চিক্লা চেনবদি
মহৌশাগী ফিজি ফিনাদো
নুংশি হায়না শোনবরা?
নৎত্রগা খুঙ্গং নকশিল্লকপনা
মীয়াম তাফম য়ৌরকপনা
মীওইবগী লমচৎ উদুনা
মখোয়গী মতৌ য়েংদুনা
নুংঙাইতবা পেন্না ফোঙদোকপরা?
নত্তে নত্তে নহাক্কীদু
নপাঙ্গল ময়েং তাদুনা
নূঙজাও নূঙপাক ফূজিন্দুনা
ৱায় ৱায় শোনবা নত্তরা?
নহাক্লা নপান ফরকপদা
পুন্সি ঈনোৎ কারকপদা
অশোন-অনা য়েংদেকো
লায়র-অনং উদেকো
লোইনা পুবা নত্তরা?
নহাক্কী নতৌ তমদুনা
নঙগী নওং য়েংদুনা
অকনবা নুংঙাইবা য়াইফবা
ইনাক কৈরাক খুনবনা
খুন্নাইগী ঈ চূপ্পা নত্তরা?
তুরেলনা পাউখুম পীরকই
মথংশিংনা হায়রকই
মীতৌ তম্বা হৈতবনা
মীওইবা নহৌশা ওইবনা
অপাম্বনা লৌনম্বা নত্তবরা?
মীগী মরালদা ময়েংবা
নশাগী নরালনা মকাউবা
মথোৎ কারকপা মতমদা
তূ-খোং শম্বল লানবদা
ৱাইরা-শীংদা চন্দবরা?
মপুনা পীবা থৌদাংদা
মানা উৎপা পোইরৈদা
ঈচেল ফাংনা চেঞ্জবা
মপুগী শিন্থা পাঙজবা
ঈচেল থৌদাং ওইদবরা?
খঙলে খঙলে ঈচেলনু
মপুগী থৌজাল ঈরিকনু
মাগী মঙলান মতৌগুম
মীচং শঙ্গ নাইদগুম
ও! চেনবনি নত্তবরা?
তাইবঙ পুন্সি লানফমদা
মীওই মপোক লৈকোন্দা
ঈচেল নতৌ তমজবা
থম্মোয় ঈরাং ফাংজবা
মীওই থৌদাং ওইরোইদরা?

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।